## নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শোকখ্রে

রোম, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
ইটালিগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা দিস্কো ক্লব অমদা মশক খঙদবা মীওই অমনা মফম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১০ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ইটালিয়ন ন্যুজ মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই পুলিসনা ফারে হায়রি।

ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তারকপা মতমদা দিস্কো ক্লব অদুদা শকখঙদবা মীওই অদুনা চঙশিল্লক্লগা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চথখিবনি। করি মরমগীদমক মহাক্না ক্লব অদুদা চঙশিল্লক্লগা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক চথখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মীওই অদুনা নোংমৈ কাপ্পা মতমদা ক্লব অদুদা কোলেজ মহৈরোয় ৩০০ লোম লৈখি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই ১০ গী ফীভম কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। মখোয় ময়ুমগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রগনি হায়রি। অমরোমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুগী মতাংদা অকুপ্পা মরোলশিং মীয়ামদা খঙহল্লকপা তৌদ্রবসু মহাক মেন্টেল প্রোব্লেম লৈবা মীওই ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিখ্রে

হাইটি, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
হাইটিগী কোনুং পোর্ট-ঔ-প্রিন্সকী খা নোংচুপ থংবা মফম অমদা প্রাইভেট প্লেন অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা অমেরিকান মিসিনরি অনী য়াওনা মীওই ৬ শিখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা মখা তানা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা সিটি এয়রপোর্টতগী প্রাইভেট প্লেন অদু নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৫৭ তারকপা মতমদা ঙরাং পাইখৎখিবনি। জেকমেলদা থুংগদবা প্রাইভেট প্লেন অদু হায়টিগী সাউর্দন কোষ্টতা পুং ১ রোম লৈরগা কায়খিবনি হায়রি।

নেসনল সিভিল এভিয়েসন ওফিসকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না প্রাইভেট প্লেন অদুদা অমেরিকান মিসিনরি অনী য়াওনা পুন্না মীওই ৬ তোংখিবনি। প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা প্রাইভেট প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ৬ মক শিখ্রে হায়রি।

প্লেন অদু মতৌ করম্না কায়খিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা প্লেন অদু কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা চিংনরবসু মসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। এভিয়েসনগী মায়কৈগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা য়ু এসতা বেজ তৌবা হায়টিদা লৈবা মিসিনরি ওর্গনাইজেসন গোসপেলনা লৈখিদ্রবা মিসিনরি অনী অদু রেন্ট হোষ্টেলটর (৩৫) অমসুং জোন মিলর (৪৩) নি হায়রি।

## চহীসিগী অরোইবা থা ফাওবগী মনুংদা রসিয়ানা ইন্দিয়াদা এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম পীরগনি



দুবাই, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী অরোইবা থা ফাওবগী মনুংদা রসিয়ানা শাবা এয়র মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম এস-৪০০ ইন্দিয়াদা পীরগনি হায়না রসিয়ান ষ্টেট আর্মদ এক্সপোর্টর রোসোবোরোনেক্সপোর্টকী দাইরেক্টর জেনরেল অলেকজেন্দর মিখীবনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিখীবনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ান এক্সপার্ট টিম অমা রসিয়াদা লাক্তুনা দিফেন্স সিষ্টেম অসি ওপরেট তৌবগী ট্রেনিং মপুঙ ফানা তৌবা লোইরে। মখোয় হয়েং ইন্দিয়াগীদমক লৈবাক অসি অমুক হন্না থাদোক্লগনি। এস-৪০০ দিফেন্স সিষ্টেম অসি পানখৎনবগীদমক রসিয়াগী এক্সপার্ট টিমসু মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়াদা চৎনবা শেম শাদুনা লৈরে। দিফেন্স সিষ্টেম অসিগী শরুক খরা মাঙজৌননা ইন্দিয়াদা থাখ্রে। অৱাৎপা শরুকশিং অদু চহী অসিগী অরোইবা থা ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াদা থানবা হোৎনরি।

দুবাইদা পাঙথোকখিবা এয়র শো অমদা রসিয়ান ফেদরেল সর্ভিস ফোর মিলিটরি টেক্নিকেল কোওপরেসনগী মকোক থোংবা দিমিত্রি শুঘেবনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা রসিয়ানা শাবা মপাঙ্গল য়াম্না কনবা অমদি অনৌবা টেক্নোলোজিশিং দিভলপ তৌরবা এয়র মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অসি ইন্দিয়াদা পীনবা ফিরেপ লৌখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়না থাখিবা দিফেন্স সিষ্টেমগী পার্টশিং ফংলে হায়না খঙহল্লকখ্রে।

অমরোমদা ইন্দিয়ান দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিদগী ফংবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না, রসিয়ানা থারক্কদৌরিবা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অসি ঈশিং অমদি নোংথক্কী লম্বেলদা লাক্কদবনি। নৌনা ইন্দিয়াদা থুংলগদৌরিবা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অসিনা লৈবাক অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি অমদি য়েক্লবশিংনা নারোলদা কাপশিন্নবা হোৎনরিবা রোকেটশিং লৈমায় য়ৌরক্ত্রিঙৈদা ইরায় লায়না মাঙহনবা ঙম্লগনি। রসিয়ানা ইন্দিয়াদা এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম পীনবা ফিরেপ লৌরকখিবা অসি ইন্দিয়ানা থাগৎপা ফোঙদোকই।

পনবা য়াবদি এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অসিনা কিলোমিটর ৪০০ লাপ্পা মফমদা লৈবা ক্রুইজ মিসাইল অমদি এয়রক্রাফ্‌টশিং মাঙহনবা ঙম্বগী কেপাসিটি লৈ হায়রি।

## য়ু এসনা শাবা ভেহিকল অমদি খুৎশু খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা পেরেদ চৎখ্রে



কাবুল, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
চহী ২০ হেন্না ইন্সরজেন্ট গ্রুপ অমা ওইনা থবক তৌদুনা লাকখিবা টালিবাননা রিগুলর আর্মীগী মতৌ তমদুনা ঙসি অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা মিলিটরিগী ওইবা পেরেদ অমা চত্তুনা মখোয়গী অহোংবশিং অদু মীয়াম মমাংদা উখোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অফঘানিষ্টান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় ইনাঅয়াতুলা খ্বারাজ মিনা ফোঙদোকখিবদা, টালিবানদা নৌনা জোইন তৌরকখিবা ফাইটর ২৫০গী ট্রেনিং লোইবগী গ্রেদুয়েসন প্রোগ্রামগা মরী লৈননা মিলিটরি পেরেদ অদু পাঙথোকখিবনি। টালিবান মিলিটরিগী ওইবা পেরেদ অদুদা য়ু এসনা হান্না শিজিন্নরম্বা বুলেট প্রুফ গাড়ীশিং অমদি অফবা মখলগী খুৎলায়শিং শিজিন্নরি।

টালিবান ফাইটরশিং অসি রিগুলার আর্মীগী থাক্তা পুখৎনবা কন্না হোৎনরি। টালিবান ফাইটরশিং অসিগী ৱাখল্লোন মপুঙ ফানা হোংহন্নবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনরি। মসিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা অফঘানিষ্টানদা নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাক অসিবু শকখঙবীবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক টালিবান লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মপুঙ ফানা মতেং পাংলবদি মীয়াম্না পাল্লিবা টালিবান লৈঙাক অদু শোয়দনা অথুবা মতমদা ওইবা ঙমগনি।

অফঘানিষ্টানদা নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাক অসিবু ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা রিকগনাইজ তৌবদা মতম থেংথরিবমখৈ খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবা য়ানা লৈ। খুদোংচাদবা মায়োক্লগদৌরিবা অসি অফঘানিষ্টান লৈবাকখত্তা নত্তে, মালেমগী লৈবাকশিংদসু চৈথেং পীরক্কনি হায়বসি কাউরোইদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি টালিবান ফাইটরশিংনা হৌজিক শিজিন্নরিবা গাড়ি অমদি খুৎশু খুৎলায়শিং অসি অমেরিকানা শাবা অমদি মখোয়না শিজিন্নরম্বা ঙাক্তনি। অফঘানিষ্টানদা হান্না লৈরম্বা ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিশিংনা বেক তৌবা অশ্রফ ঘানিগী ফোর্সশিংদা অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলায় কয়া শিন্নখিবনি। হায়রিবা অফবা মখলগী খুৎলায়শিং অদু হৌজিক্তি টালিবানশিংগী মখুত্তা তাহৌরে।

## হোস্পিটাল মনাক্তা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা ১ শিরে

লন্দন, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
লিভরপুলগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা হোস্পিটাল অমগী মনাক্তা খামদুনা লৈবা কার অমা খঙহৌদনা পোকখায়রকপগী থৌদোক্তা মীওই ১শিরে, ১না শোকহনখ্রে। পোকখায়হনবগী থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৩ কাউন্টর টেরোরিজম ওফিসারশিংনা ফারে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, হোস্পিটাল মনাক্তা খামদুনা লৈবা কার পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা কার অদুগী মনিং থংবা শরুক্তা ফমদুনা লৈখিবা পেসেঞ্জর অদু খুদক্তা শিখি অদুগা কারগী দ্রাইভর অদুনা শোকখিবনি। শোক্লবা দ্রাইভর অদু মনাক নক্না লৈবা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিমেন্ট চথরি। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি।

কাউন্টর টেরোরিজম ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখিবদা লোকেল পুলিসশিংগা খুৎশম্নদুনা পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথরি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই অহুম টেরোরিজম এক্টকী মখাদা দিটেন তৌদুনা থল্লি। থৌদোক অসি টেররিষ্টকী ওইবা থৌদোক্নি হায়বদা হৌজিক্কী ওইনদি ঙনমল্লি। মতৌ করম্না কার অদু পোকখায়হনখিবনো হায়বগী মতাংদসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অথুবা মতমদা থৌদোক অসিগী মরী মখোঙ মীয়ামদা ময়োক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনগনি। মরাল লৈবশিং লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## য়ুনাইটেদ কিংদমনা এসিয়া পেসিফিকতা ৱারসিপ অনী দিপ্লোয় তৌরগনি

লন্দন, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
চাইনানা পায়খৎলক্লিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া নোংচুপ লৈবাকশিংনা পামদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এস অমসুং জপাননা চাইনাগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া পুখৎলকখ্রবা মতুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা এসিয়ন ৱাটরদা পর্মিনেন্ট ওইনা ৱারসিপ অনী দিপ্লোয় তৌরগনি হায়না বৃটেননা লাউথোকখ্রে।

মমাং চহীগী সপ্তেম্বর থাদা ক্যুইন ইলিজাবেথ এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসুং স্কোর্ট সিপশিংনা জপানদা থুংলুরবা মতুং অৱাংবা থাক্কী ফিরেপ অসি হন্দক খঙহৌদনা লৌরকখিবনি। য়ু কেনা জপানগা হান্না লৈনরিবা মরী অদুদগী অমুক্কা হেন্না চেৎশিন্নবা এসিয়াগী ঈশিংগী শরুকশিংদা ৱারসিপ দিপ্লোয় তৌনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

য়ু কেনা পর্মিনেন্ট ওইনা ৱারসিপ অনী চহী অসিদগী দিপ্লোয় তৌনবা লৌরকখিবা ফিরেপ অদু জপাননা থাগৎপা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চাইনানা মতম কয়াগী মমাংদগী ইন্দো পেসিফিক রিজনদা লোনা য়াদবা থবক থৌরম কয়া চথুদুনা লাক্লিবা অসি থিংবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়না জপানগী দিফেন্স মিনিষ্টর নোবুও কিসিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঈশিংগী শরুকশিংদা ইন্তরনেস্নল লোগী মতুং ইন্না লৈবাক লৈবাকশিংনা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা ইন্তরনেস্নল লো থুগাইদুনা মশাগী ওইবা ইন্তরেষ্টতা থবক তৌনবা হোৎনরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম অতোপ্পা লৈবাকশিংনা পীবা মথৌ তাই। চাইনানা অহেনবা থবক থৌওং কয়া চথরিঙৈ মরক অসিদা য়ু কেনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি থাগৎনিংঙাই ওই হায়রি।

অমরোমদা পেন্তাগোনগী ৱাঙাঙলোয় অমনা য়ু কেগী ফিরেপ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইন্দো পেসিফিক রিজনদা লোগী মতুং ইন্না থবক তৌনবা খুদিংমক্না হোৎনমিন্নসি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দিপ্লোয় তৌগদৌরবা বৃটিশ ৱারসিপশিং অসিগী প্রমিনেন্ট ওইবা বেজ অমা লৈত্রি হায়না জপানদা লৈবা বৃটিশ এম্বেসিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা বেজ অমা শেমগৎনবা হোৎনরগনি হায়রি।

সাউথ চাইনা সিগী শরুক পুম্বা চাইনানা মখোয়গীনি হায়দুনা মতম কয়াগী মমাংদগী ক্লেম তৌদুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা টাইৱানগী মতাংদসু চাইনানা কা হেন্না খূৎ থিংজিল্লিবা অদুবু মালেমগী লৈবাকশিংনা মখা তানা তৌদনবা খঙহনবসু লৈখ্রবনি।

## চহী চুপ্পা নুপীশিং স্কুল চৎহন্দবগী ফিভমদা লাকপা য়াই : মলালা

লন্দন, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা নৌনা পৱার পায়দুনা অনৌবা লৈঙাক শেমখ্রবা টালিবানগী লুচিংবশিংনা লৈবাক অদুগী নুপী মহৈরোয়শিং স্কুল চৎপদা অথিংবা থল্লিবা অসি অতেনবা মতম খরখক্কীনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু থাজনিঙাই ওইদে অমদি লৈবাক অদুগী নুপীমচাশিং চহী চুপ্পা স্কুলদা চত্তুনা মহৈ তম্বা ফংদবগী ওইথোকপা লৈ হায়না নোবেল পীছ প্রাইজ ৱিন্নর মলালা য়ুসুফজাইনা ফোঙদোরক্লি।

নুপীশিং মহৈ তম্বা ফংহনগদবনি হায়দুনা কেম্পেন পাঙথোক্লুবগীদমক টালিবাননা হৌখিবা কুমজা ২০১২দা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎনবা হোৎনরম্বদগী হিংহৌরবী মলালানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মতম খরগী ওইনা অথিংবা থম্বনি হায়বা ৱাফম অসি থাজনিঙাই ওইদে। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬তা লৈবাক অসিদা লৈখিবা টালিবান লৈঙাক্নসু অতেনবা মতমগী ওইনা অথিংবা থম্বনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু মখোয়না চহী ৫ লৈঙাক পায়খিবা মতম অদুদা নুপীশিং স্কুল চত্তুনা মহৈ তম্বা ফংখিদে।

চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী ময়ায় চল্লকপদগী অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা মপুঙ ফানা পৱার পায়বা ঙমখ্রবা মতুং সেপটেম্বর থাদগী লৈবাক অদুগী নুপীশিং স্কুল চৎপদা অথিংবা থমখিবনি। ইস্লামিক লোগী মতুংইন্না নুপীশিংবু অমুক হন্না স্কুল কাহন্নবা হোৎনরি হায়রিবা ৱাফম অদু ওইথোক্লোই। টালিবানগী ৱাখল্লোনদি নুপীশিং য়ুমদগী মপান থোকহন্দবা অমদি মখোয়বু য়ুমদা থম্বা মীনাই অমগুম্না শিজিন্নবনি। হায়রিবা অসি মালেমগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম্নি হায়রি।

## সিরিয়ান ফোর্সনা ইদলিব প্রোভিন্সতা চথখিবা এটেকতা ইমুং অমগী মীওই ৭ শিখ্রে

দমাসকস, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
সিরিয়াগী ওইনা হৌজিক হৌজিক রেবেলশিংনা খুৎলিংদুনা লৈরিবা ইদলিব প্রোভিন্সতা সিরিয়ান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অর্টিলরি সেল কয়া কাপশিন্দুনা চথখিবা এটেক অমদা চহী নৌরিবা অঙাং ৪ য়াওনা পুন্না ইমুং অমগী মীওই ৭ শিখ্রে হায়না রেস্ক্যু ৱার্কর অমসুং ৱার মোনিটরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মমাং চহীদা রসিয়া অমদি টর্কিনা হোৎনদুনা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা সিজ ফায়র লৈহনখিবনি। অদুমওইনমক লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা ইদলিবতা লৈরিবা রেবেল গ্রুপশিং তকথোক্লুবগী পান্দমদা এটেক অদু চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ৱার মোনিটরশিংনা ফোঙদোকখ্রবসু করি মরমগীদমক সিরিয়ান ফোর্সশিংনা প্রোভিন্স অদুদা অর্টিলরি সেল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চথখিবনো হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থা অসি খক্তদা সিরিয়ান ফোর্সশিংনা চথখিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা অঙাং ১৭ শিখ্রে হায়না য়ু এন চিলদ্রেন এজেন্সি য়ুনেসেফনা ফোঙদোরক্লি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা এটেক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা ইদলিব প্রোভিন্সকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা আইল্লিন ভিলেজদা সেলশিং অদু তাশিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা য়ুম অমা চাওনা অমাং অতা থোকখিবগা লোয়ননা ইমুং অমগী মীওই ৭ পুন্না শিখিবনি। অদুগা ৭ অমনা অশোক অপন নংহনখি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাং ৪ অমসুং মখোয়গী অপোকপী মমা য়াওরি। বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মকোক থোংবা রমি অব্দুর রহমননা ফোঙদোকখিবদা শিখ্রবশিং অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী মথৌ অমসুং মখুরাসু য়াওরি। শোক্লবশিংগী মনুংদনা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগী অপোকপী য়াওরি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তগী হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা রেবেল গ্রুপশিংদা চথখিবা এটেকশিংনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অঙাং ১১ য়াওনা মীওই ২১ শিহনখ্রে। অদুমওইনমক সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদনদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা রেবেলশিং মপুং ফানা তকথোক্ত্রিবা ফাওবা আর্মীশিংনা রেবেল গ্রুপশিংনা লৈরিবা মফমশিংদা টর্গেট তৌদুনা এটেকশিং লেপ্পা লৈতনা চথখিগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অমরোমদা লৈবাক কয়ানা প্রোভিন্স অদুদা মখা তানা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং থোকহন্দনবা অপিল তৌনরক্লি।

## ম্যান্মার মিলিটরি জুন্টানা থা ৬ হেন্না ফাজিন্দুনা থম্লুরবা য়ু এস জর্নেলিষ্ট জেলদগী থাদোকখ্রে : রিপোর্ট



য়াঙোন, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী মে থাদগী ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা য়ু এস জর্নেলিষ্ট জেলদগী থাদোকখ্রে। অথুবা মতমদা মহাক লৈবাক অদু থাদোক্তুনা মশাগী ময়ুমদা হলহন্নবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনরি হায়না মিলিটরি জুন্টাগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না য়ু এস জর্নেলিষ্ট দেনি ফেনষ্টর মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্লম্বা য়াঙোনগী জেলদগী লৈবাক অদুগী কোনুং নেপিদোদা পুদুনা চৎখ্রে। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদে। অথুবা মতমদা মহাক ম্যান্মার লৈবাক থাদোক্লগনি হায়রি।

দেনি ফেনষ্টর ফ্রন্টিয়র ম্যান্মারদা চহী অমরোম হেন্না থবক তৌদুনা লাকখ্রবা মীওই অমনি। মহাক্না ফোঙখিবা পাউশিং অদু গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা থবক তৌবনি অমদি মীয়াম ইরাং শাগৎহনবা য়াবা পাউনি হায়বগী মরালদা মহাকপু মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থমখিবনি। মদুগী মতুং লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিং পুন্দুনা থবক তৌই হায়বগী মরালদা মহাকপু চহী ১১ গী জেলগী ফাদোক মমাং চয়োলদা পীখিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ফ্রন্টিয়র ম্যান্মারগী পব্লিসর সোনি ৱিনা ফোঙদোকখিবদা, দেনি ফেনষ্টর থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অসি কনফার্ম তৌরে। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি মহাক্কা পাউ ফাওনবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা পাউ অসিগী মতাংদা মীয়ামদা চপ চানা হায়বা ঙমখিরোই। অথুবা মতমদা মহাক্কা পাউ ফাওননবা কন্না হোৎনরি হায়রি।

মমাং চয়োলদা চহী ১১ গী জেলগী ফাদোক পীখ্রবা দেনি খঙহৌদনা থাদোরকখিবা অসিগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা অকনবা প্রেসর পীরকপনা মহাকপু থাদোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

পনবা য়াবদি ম্যান্মারদা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং নোংমা কাংদনা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোকশিং লৈবাক অসিগী মফম মফমশিংদা থোক্তুনা লাক্লি।

## এন্তি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং অমদি পুলিসকী মরক্তা অকনবা মওংদা মুক্লখ্রে, ৭০ ফাজিনখ্রে

বোগোটা, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
কলম্বীয়াদা হৌখিবা এপ্রিল থাদগী হৌরগা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অদুগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তৌরদুনা অমদি লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থৌশিলশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌখ্রে। খোঙজংশিং অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লঙৈ মরক্তা খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখিবা পুলিস পর্সনেলশিংগা অকনবা মওংদা মুক্লখ্রবা মতুং খোঙজংলোয় ৭০ রোম পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



লৈবাক অদুদা টেক্সকী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওপোজিসন পার্টিনা খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি। মদুগী মতুং খোঙজং অসি তপ্না তপ্না পাকথোক চাওথোরক্তুনা মীয়াম্না শরুক য়াবা হৌরকখিবনি। প্রসিদেন্ট ইভান দ্যুকনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লিবা অদুবু মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা টেক্স কা হেন্না লৌনবা ফিরেপ লৌখিবা অদু নৌনা শেমদোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরি।

লৈবাক অদুদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অমদি পুলিস পর্সনেলশিংগা মুক্লবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৬০ রোম শিহনখ্রে। ঙসিগী থৌদোক অদুদসু মীওই ৫০ অশোক অপন নংখি। মদুগী মনুংদা ২৪ না মীচমনি অদুগা ২৬ না এজেন্টশিংনি হায়রি। মখোয়শিং অদু বোগোটা, মেদরিট অমসুং কালিদা থোকখিবা মুক্লবগী থৌদোকশিংদা শোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামগী মরক্তা খুৎলাই পায়বা মীওইশিং য়াওশিল্লকপদগী পুলিস অমদি খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা মুক্লবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। মীয়াম্না ঈং তপ্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুবু লৈঙাক্না খঙই। অদুমওইনমক খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা মীওই খরনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা কা হেনবা থৌওংশিং চথরকপদগী অশোক অপন নংহনবা য়াবা থৌদোকশিং থোকখিবনি হায়রি। অমরোমদা কলম্বীয়াদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈবাক কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মীশি মীনাগী থৌদোক অদু ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিনহন্নবগীদমক য়ু এননা তকশিল্লক্লি।

## কাবুল বোম ব্লাষ্টতা মীওই অনী শোকখ্রে

কাবুল, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা ঙসি থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই অনী অশোক অপন নংখ্রে হায়না টালিবানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বোম অদু মেগ্নেটিক দিভাইসকী মতেংনা পোকখায়হনখিবা ওইগনি। থৌদোক অসি কনানা চথখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি অমদি গ্রুপ অমত্তনা ক্লেইম তৌরকপসু লৈত্রি। অদুম ওইনমক এটেক অসি আই এস আই এসনা চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

পনবা য়াবদি অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিংনা লৈবাক অসিদা য়াম্না তোয়না বোম এটেকশিং চথদুনা লাক্লি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তসু গ্রুপ অসিনা মী য়াম্না তিনবা কাবুলগী মফম অমদা বোম পোকখায়হনখি।

## খুৎলায় পায়বশিংগী এটেকতা মীওই ২০ শিরে

ঔগাদৌগৌ, নভেম্বর ১৫ (এজেন্সী) :
বুরকিনা ফাসোগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা সিক্যুরিটি চেক পোষ্ট অমদা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথদুনা য়ামদ্রবদা পুলিস পর্সনেল ১৯ অমদি মিচম অমা হাৎখ্রে হায়না সিক্যুরিটি মিনিষ্টর মেক্সিম কোননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু ঙরাং ইনাতা গোল্ড মাইনগী মনাক্তা লৈবা সিক্যুরিটি আউটপোষ্ট অমদা থোকখিবনি। পুলিস পর্সনেলশিং অদুনা মথৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা খঙহৌদনা এটেক চথদুনা মীওই ২০ হাৎখিবনি। থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা অহেনবা ফোর্সশিং মফম অদুদা চঙশিনখি। আউটপোষ্ট অদুদা মীওই ২২ দি তেক্ত কায়দনা লৈরমখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ২০ শিরে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু অশিবা মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। এটেক অদু কনানা চথখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি গ্রুপ অমত্তনা ক্লেইম তৌরকপা লৈত্রি।

**ADMISSION OPEN**

**PHOENIX ENGLISH COACHING**

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/7261/2/11-2/12